**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অকোইবগী খল ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না শরুক য়ামিন্নশি।

২) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরম্বা অদু ঙরাংদগী পারপনা নোং চুরকপদগী শাবগী চাং খরা হন্থরে।

৩) ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ফাইনেলদা নিশা অমসুং লিৱা চনিং থেংনরগনি।

৪) অসামগী কছার জিলাদা নারোনদা পুশিল্লকপা মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ১০৫ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ১০ কছার পুলিসনা ফারে।
অমসুং

৫) লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি। মসিগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

-------

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অকোইবগী খল ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা রাজ্য অসিগী মীয়ামা পুন্না শরুক

য়ামিন্নশি। মীয়ামা উ থাবা, প্লাষ্টিক শিজিন্নবা হন্থবা অমদি মহৌশাগী ফিভম ঙাক শেনবদা থৌদাং য়ামিন্ননবা আপীলসু তৌরি। ৱাফম অসি মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মসিগী অকোইবা মফমশিংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমদা মহাকা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা রাজ্য অসিবু লু নান্না অমদি মহৌশাগী ফিভম কাইদনা থমবা হোৎনবদা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং অমদি লৈকাই লৈকাইগী ক্লব অমদি নহারোলশিংনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিগা লোয়ননা ঐখোয় পুম্বনা লমদমসিগী অকোইনবগী ফিভম ফনা থম্বা অমদি য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী তঙাইফদবা থৌদাং ওইমিন্নশি।

লম তু শেংবগী থবক অদু রাজ্যগী মহুদ বিভাগ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লোকেল ক্লব অমসুং মোইরাং, বিষ্ণুপুর অমদি হৈঙাংগী নহাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। মদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি.-লৈশেম্বা সনাজাউবা, মন্ত্রিশিং গোবিনদাস কোন্থৌজম, এল. শুশিন্দ্রো অমদি এম.এল.এ থোঙাম শান্তিসু শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাই বজার বোর্দ টাউন কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি লোংমাই বজার এরিয়াগী অকোইবদা লৈবা ইরম নালাশিং শেংদোকখ্রে। নোংজ্ পন্থা লাকপসিদা ইরম নালাদা অমোৎ অকায় লংথবদগী ঈশিং চেনবদা অপনবা পীবদগী এস্কাভেতর শিজিন্নদুনা লম তুং শেংবগী থবক অসি পাঙথোকখিবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাদা লৈবা নহাশিংদা ভারত লান ্মীদা চংননবগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী তুপুল ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মরৈবাক নীংবগী

ৱাখল্লোন পোকহন্দুনা ভারত লান্মীদা চংননবগী পুকিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। মসিদা মীওই ৩৭ হেন্না শরুক য়াখি।

ওকপা (এল)ঃ  তমেংলোং জিলাগী ওইনা কুমশি চহিগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েলভ মায় পাক্লবা জিলা অসিগী মহৈরোইশিংদা তমেংলোং ভিলেজ ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না শিন্দুনা কেরিয়র গাইদেন্সকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা মায় পাক্লকবা মহৈরোই ৭০ রোমা শরুক য়াখি।

পরিষদ (এল)ঃ মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি কবি হৱাইবম নবদিপচন্দ্র মেমোরিয়েল লেকচর পাঙথোকখ্রে। ওল মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লোংজম জোয়চন্দ্র সিংহনা সভাপতি ওইখি। শোরারেল মচা খুনগুম্বা অমসুং পোং লৈপাক হায়বা হিরমসিদা মংলেমজাউ সিংহ শোরোকখাইবমনা মেমোরিয়েল লেকচর পীখি।

মেট (এল)ঃ  মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরম্বা অদু ঙরাংদগী পারপনা নোং চুরকপদগী শাবগী চাং খরা হন্থরে।

মেট দিপার্টমেন্তনা হায়- মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং মেঘালয়, নাগালেন্দ, অসাম, সিক্কিম অমসুং অরুনাচল প্রদেসতা হয়েং ফাওবদা পারকপদগী ময়াই ওপ্পা চাং ফাওবা নোং চুরবা য়াই। অমরোমদা, লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংচুপ, ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা শরুক্কী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরবা য়াই।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলস আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈথেল মানবীগী অকোইবদা লৈবা খুলশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমদি তোঙান তোঙানবা

হিরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবা, লাইরিক লাইশু অমসুং লৈবাক্কী অফবা থবকশিং পাঙথোকপদা হেন্না থৱায় য়াওনবগী মতাংদা খন্নখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা চানবা ককচিং লমখায়দা লৈবা হোটেল অমদা ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ককচিং লমখায় বজার ৱেলফ্যার বোর্দনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। মদুদা দুকাদা নোংমৈ কাপশিনবা য়ানিংদে, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহনবীগনু, মরী লৈনবশিংনা অথুবদা শেংদোকপীরকউ হায়বা বেন্নরসকী মখাদা ৱাকৎ মীফম অদু পাঙথোকপনি হায়রি।

মেদিকেল (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সৱোমবুং সাইরেম দা লেমনা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সৱোম্বুং সাইরেম যুথ ক্লব অমসুং জিলা অসিগী মনুং চন্না পোরোমপাট জেনিমস রোদতা লৈবা বোনি অলত্রাসাউন্দ ক্লিনিক অনিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা কেম্প অদুদা হেপাটাইটিস অমসুং লিবর টেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেষ্ট কয়া পাঙথোকখি। মসিদা মীওই ১৫০ হেন্না লায়েংখি হায়রি।

মৈ (এল) ঃশগোলমাংদা লৈবা ৩৩ বাই ১১ কে.ভি সব-ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়না এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

ব্লড (এল)ঃ লাইফ সেভরস মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমস ইম্ফালদা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসি ঈগী তেংবাং, থম্মোয়গী মরী হায়বসিদা পাঙথোকখিবনি। মসিদা মীওই ১৪ না ঈ দান তৌখি।

ড্রগ ঃ অসামগী কছার জিলাদা নারোনদা য়ুমলোন্নবা রাজ্যদগী পুশিল্লকপা মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি ১০৫ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ১০ রোম পুরম্বা মীওই অনি কছার পুলিসনা ফারে। য়াল্লবা ড্রগ অসি ফাগৎখিবদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা অসাম পুলিসপু থাগৎলদুনা হায়- আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফাগৎলকপা অসিনা নহা কয়াগী পুন্সি কনবা ঙল্লগনি। মহাক্কী সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা অসিগুম্বা আইন্না য়াদবা থবক চত্থবশিংগী মথক্তা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎখিগনি।

অমরোমদা, বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সনা বঙ্গলাদেশতগী পুশিল্লকপা লুপা লাখ ৩৬ রোমগী সনা পুরম্বা মীওই অমা ত্রিপুরাগী নিসিনতাপুর এরিয়াদা ফারে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী বি.এস.এফনা সনাশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ইলেক্সন ঃ লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনরগনি। মসিগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৬ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী লোক সভা সিট ৪৯ গী মীখল পাঙথোক্কনি। সিটশিং অদুদি- উত্তর প্রদেশকী ১৪, মহারাস্ত্রাগী ১৩, নোংচুপ বঙ্গলাগী ৭, বিহার অমসুং উরিষাগী ৫-৫, ঝরখন্দগী ৩ নি জম্মু কস্মীর অমসুং লাদাক্কী অমমম য়াওরি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৬৯৫ না লম্বা তৌনরি।

মরক অসিদা লোক সভা মীখলগী ৬ শুবা অমদি ৭ শুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোমবগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ঝরখন্দ অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

ঝরখন্দা শ্রী মোদিনা জমসেদপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি। জমসেদপুর লোক সভা সিটতা বিদ্যউত ভরন মহোতো বে.জে.পিনা মীরেপ ওইরি । শ্রী মোদিনা নোংচুপ বঙ্গলাগী পুরুলিয়া, বিষ্ণুপুর অমসুং খরকপ্রদসু মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি।

গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থংবা  লুচিংবা অমিত সাহসু উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজ অমসুং জোনপুর জিলাশিংদা ভোট খোমখি। অদুগা উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগী অধিত্যানাথনা অজমগর জোনপুর , প্রতাপগর অমসুং পয়াটরাজ জিলাশিংদা অদুগা  মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহোন যাদপনা ঘাজিপুর অমসুং বালিয়া জিলাশিংদা ভোট খোমখি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা দিগবিজয় সিংহনা ঙসি মহারাসগঞ্জ কেন্দ্রদা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

থা অসিগী ২৫ দা ৬ শুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৮ গী লোক সভা সিট ৫৮ গী মীখল পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা তৌনগনি।

মথং থা জন ১ দা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কীদমক পঞ্জাবগী লোক সভা কেন্দ্র ১৩ গী ভোট খোম্বগী থবকসু কনখৎলক্লি।

ই.সিঃ        হৌজিক চথরিবা লোক সভা মীখল অসিদা শেলগী শক্তি শিজিন্নবা থীংনবা খোংজংদা ইলেক্সন কম্মীসননা লুপা কোতি লিশিং ৮,৮৮৯ লোম ফাগৎপা ঙমখ্রে। চেরোল অমদা কম্মীসননা হায়- দ্রগ অমসুং ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং য়াওনা নিশাগী পোৎলমশিংগী মায়োক্তা চংশিনবা খোংজংদসু লুপা কোতি লিশিং ৩, ৯৫৮ হেনবগী দ্রগশিং ফাগৎপা ঙল্লে।

জর্জঃ এদিসনেল জর্জ অনি - জস্তিস সুসমিতা ফুকন খাউন্দ অমসুং জস্তিস মীতালি ঠাকুরিয়াবু গুৱাহাতি হায়কোর্টকী পারমিনেন্ত জর্জ ওইনা হাপ্পগী প্রাস্তাব সুপ্রিম কোর্টকী কোলেজিয়মনা অয়াবা পীখ্রে। চিফ জস্তিস ধনঞ্জয়, ৱাই চন্দ্রচুদ, জস্তিস সঞ্জীব খন্না অমসুং জস্তিস বি.আর গাভাই য়াওবা সুপ্রিম কোর্টকী কাংবু অমনা প্রাস্তাব অদু থাংগৎখিবনি।

মেঘাৱালঃ কেন্দ্রগী লো অমসুং জস্তিস রাজ্য মন্ত্রি অরজ্ন রাম বেঘাৱালনা হায়রি -অকবা মতমগী মনুংদা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙম বা কেন্দ্র সরকারনা লোইলম লৈঙাক্কী মতমদগী লৈরক্লবা ৱায়েল বিচারগী থৌওংশিং হোংদোক্লে।

গুৱাহাতি আই.আই.টিদা ঙরাং ক্রিমিনেল জস্তিস সিস্তেমগী এদমিনিস্ত্রেসনদা ভারতনা খুমাং চাউশিল্লকপগা মরী লৈনবা মীফম হৌদোকপদা মন্ত্রিনা হায়- বৃটিশনা ভারত মচাশিংবু দান্দি পীবগী মওংদা আইনশিং অদু শেন্লম্বনি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনদি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল বিচার ফংহনবা পাম্মী। শ্রী মেঘাৱালনা হায়-অনৌবা আইনশিং ভারত্যা নিয়াই সনহিতা ২০২৩- ভারত্যা নাগারিক সুরকশা সনহিতা ২০২৩ অমসুং ভারত্যা সক্ষীয়া অধিনিয়ম ২০২৩ অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক শেমখিবনি অমসুং কেন্দ্র সরকারনা ভারতপু চাউখৎপগী লমদা খোংজেল য়াংশিলহনবা ঙমবগীদমক মতম চানা অনৌবা আইনশিং অসি শেমখিবনি।

অনৌবা আইন অহুম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগীদম পা দমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম অদু কেন্দ্রগী লো এন্দ জস্তিস মন্ত্রালয়না অসাম সরকারগা খুৎশমদুনা শিনবনি ।

মেঘালয়ঃ মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে .সঙমানা হায়রি - শিল্লোং সিটিবু মশক ফজহন্নবা অমদি তোঙান তোঙানবা ইনফ্রস্ত্রকচর প্রোজেক্টশিং

পায়খৎহন্নবগীদমক সরকারনা লম একর ২৫ খাক্তুনা থল্লে। সরকার অসিনা অনৌবা ৰার্ক ৰেশিং, গ্রিন পার্ক অমা অমসুং পোত্থাফমশিং শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি । সরকারনা রেস্তুরেন্ত, পার্কিং অমদি অতৈ মীয়ামগী খুদোংচানবা থৌরাং কয়াসু শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।

ফুটবোল(এল)ঃ লমলোং থোংখোং লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ফাইনেলদা নিশা অমসুং লিৰা চনিং থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ সেমি ফাইনেলদা লিৰা চনিং য়ুথ কলচরেল ক্লবনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২২ দা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ভি.এস.এ.আইনা থাংমৈবন্দনা মঙাসুবা শঙাই ত্রোফি ভেটেরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ৱিন্নর ওইরে। শিংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ভি.এস.এ.আই থাংমৈন্দনা উপসা লিলোং চজিংবু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা ঙসিদগী এল. মেমচা দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ হৌদোকখ্রে। কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা হৌদোকখিবা তুরনামেন্ট অদুদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়াগনি। ঙসি অহৌবা মেটচতা দব্লিউ.ৱাই.এফ.সি ৱাংজিংনা য়াইরিপোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

বোল ঃ ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি অন্দর থার্তিন ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসি য়ুথ ক্লব ব্রহ্মপুর থোন্মুথোংদা হৌখ্রে। ঙসিগী অহৌবা মেটচতা গোল্ডন এফ.সি ব্রাহ্মপুর থাংজম লৈকাইদা থেলস য়াইস্কুল পেনালতি সুটআউটতা পাঞ্জল ২-১ দা, অনিসুবা মেটচতনা এ.দি.সি ককৱানা কংলৈপাক এফ.সি খোংমনবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা অরোইবা মেটচতা মার্জিং এফ.সি বামোন লৈকাইনা সঙাই এফ.সি ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইবা পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

কাং ঃ অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবিহারি শর্ম্মা মেমোরিয়েল কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা পুথিবা কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৭-৯ দা থোইখ্রে। হয়েং কৈশামথোং কেন্দ্রগা ওইনাম কেন্দ্রগা শান্নগনি।

বেদমিন্টন ঃ এস. রনকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেত্তিগী জ়রানা থাইলেন্দ ওপন মেন্স দবলসকী টাইটল লৌরে। ভারতকী ৱার্ল্ড নম্বর-থ্রি জ়রা অসিনা চাইনাগী চেং বো য়াং অমসুং লিউ য়িগী জ়রাবু ২১-১৫, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীখিবনি।

--------